# ডা. নরনা ইবা প্রকৃতিনা তেংথারি হায়বা লাইরিক্তা বেজ তৌবা দান্স দ্রামা অমা উংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা হাওবম মারক, ঙাঙোম লৈকাই ইম্ফালদগী সনচাওলি না শীন্দুনা ঙসি জৱাহরলাল নেহরূ মণিপুর দান্স একাদেমী, ইম্ফালদা থা অনী চৎথগদবা 'মালেম ইমা' মিংথোনবা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নরবা মীথুং ওইখিবা আর্টস এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ডাইরেক্টর এ সিভাদাস শর্ম্মানা হায়, এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী মখাদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিং অমসুং মণিপুরগী মরক্তা কলচরেল এক্সচেঞ্চ তৌনবগী থৌরাং লৈরে। ম্যান্মারগী খ্বাইদগী মমিং চৎপা টি ভি চেন্নেল অমদা মণিপুরগী কলচর অমদি আর্টস ফোর্মশিংগী মতাংদা প্রোগ্রাম শন্দোকহন্নবগী অন্দরষ্টেন্দিং লৈনরে। অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিনা লমদম অসিগী ফজরবা কলচর অসি মালেমগী মীয়ামদা খঙহনবদা মতেং ওইরগনি।

মহাক্না মখাতারদুনা হায়, হন্দক চহীদগী ভৈগ্যচন্দ্র ক্লাসিকেল দান্স ফেষ্টিভেল অসি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা ঙমনবা আর্টস এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনরি। ঈশ্বরগী অমদি মীয়ামগী থৌজালদগী থৌরম অসি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পাঙথোকপা ঙমজগে।

ঙসি সনচাওলিনা মালেম ইমা মিংথোনবা ৱার্কসোপ কম প্রদক্স অসিনা মীয়ামদা হোংলক্লিবা মালেম পৃথিবীগী মরমদা হেন্না লৌশিং তাহনবা ঙম্লগনি। মালেমগী ওইনা অইং-অশাদা চাউনা অহোংবা লৈরে। অল নেচরেল ওইবা থৌদোক কয়া থোক্লে। ঙসিগী মালেম অসিদা মীওইবনা হিংবদা ৱাবগী থাক লাক্লে। মসি অতৈ করিনা অমত্তনা থোকহনবা নত্তে-মীওইবনা মালেমগী খল কায়হনবদগী ওইরকপনি। নেচরগী লো অসি কনা অমত্তা থুগাইদে, মীওই খক্তনা থুগাই। ওইরক্লিবা মালেমগী অওনবা অসি করিদগী ওইরকপনো হায়না নৈনবা মতম ওইরে। মীওইবনা মালেমদা য়ৈখাই-থিনগাইবা পীরি মতিক মদুদগী ওইরকপা ফত্তবা ফল অদুনা মরম ওইরগা অৱাবা খঙগনি হায়খি।

হান্নদগী মিনিষ্টর ডা. এম নরনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা সনচাওলি না মালেম ইমা হায়না মিংথোনবা বেলে ১ পুথোরকপসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। কুমজা ১৯৯৩ দা মহাক্না মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা ইখিবা 'প্রকৃতিনা তেংথাবা' হায়বা মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লাতা থৌনাওজমনা দান্স দ্রামা (বেলে) ওইনা শেমগৎপনি। মালেম শিনবা থুংনা নৈনরিবা ইনভাইরোনমেন্ট কাইথরকপা, ইকোলোজিকেল চেঞ্চ লাকপদগী আইং-অশাগী খল কাইরকপা, মালেম ইমানা খাংলিবা অৱাবা অসিবু উৎপা বেলি নি। হায়রিবা বেলি অসি মণিপুর খক্ত নত্তনা মালেমগী মফমশিং দসু উৎপা ঙম্বা ওইসনু হায়না য়াইফ-ৱাহৈসু ফোঙদোখি।

জে এন এম দি এ, ইম্ফালগী ডাইরেক্টর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মানা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, অফবা আর্টিষ্ট অমা ওইবদা ইনবোর্ন ক্বালিটি, থিওরিটিকেল নৈনবা, ৱাইদ ভিজন লৈবা, ওঝা-গুরু মশক খঙবা লাইরিক য়াম্না নৈনবা মথৌ তাই।

ঙসি উৎকদৌরিবা দ্রামা অসি কুম্মৈ ওইনা য়েংবা খক্ত নত্তনা দ্রামা অসিনা পীরিবা মেসেজ অসি লৌশিনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জাতিগী থাক্তা মনা-মথুম ফংলকখ্রবা শক্লাইরবা মীওই ৫ দসু মোমেন্টো অমদি লেংয়াং ফি ইনবিদুনা ইকায়-খুম্নবসু উৎখি।

# 'কন্ট্রেক্টর থিবা খঙদবা নত্তে, এম এল এনা লেবরশিং তাম্থোকখিবনি'

ইম্ফাল,জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

থাংমৈবন্দ লাইহিজিংনিংথৌ জুনিয়ার হায়স্কুলগী শরুক খরা শিদোক্লম্লগা কন্ট্রেক্টর থিবা খঙদ্রে হায়না থাংমৈবন্দ এ সিগী এম এল এনা ফোঙদোকখিবা অদু কন্ট্রেক্টর থিবা খঙদবা নত্তে, থবক শুবা লেবরশিং এম এল এনা কৌরগা তাম্থোকখিবনি হায়না বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জ্যোতিন ৱাইখোমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউজী মীফম অমদা মহাক্না হায়, স্কুল অদু শানবগী থবক শুবা লেবরশিং এম এল এনা কৌরগা হলহনখিবা অসি থাংমৈবন্দ মীয়াম্না চাউখৎ থৌরাং তৌনবা হোৎনরকপদা অচৌবা শিংনবা অমনি।

স্কুল অসি কুমজা ২০১৭ তা মতম অদুগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বা ইবোতোম্বীনা স্কুল অসি ফিভম চাদ্রে মসি শিদোকপীরো হায়না হজ্জিন হজ্জিন চে পীখিবা অমসুং এম এল এ মশাদসু চে ইদুনা হায়জখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা মসিগী মমাঙদা ফেন্সিং তৌবিনবা মহাক মশাদা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু মহাক্না থবক ওইনা ওম্থোকপীরকখিদবদগী খুলগী মীওইশিংনা খায়নরগা ফেন্সিং তৌবনি।

ইম্ফাল মনুংদা মহৈরোই য়াম্না লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা মহৈরোই মশীং য়াম্না লৈবা স্কুলশিংগী মনুংদা অমা লাইহিজিংনিংথৌ জুনিয়ার হায়স্কুল অসি ওইহৈরিনি।

স্কুলগী ফিভম ফত্তবা অদুদা স্কুল অসি শাবীনবা স্কুল দিভলপমেন্ট কম্মিতিনা এদুকেসন মিনিষ্টরদা তক্লবদগী এদুকেসন মিনিষ্টরনা শাবীনবা থবক লৌখৎলকপা ওইরম্না য়াই। মদুদা চে চাং ৱাৎপা প্রোসেস ৱাৎপা অদু ঐখোয়গী ইথৌ নত্তে। লৈঙাক্না স্কুল শাবীবা, স্কুল হিংহনবা অসি ঐখোয়গী ইথৌনি হায়খি।

এম এল এনা মশাগী খুদোংচাবা ফংহৌদবদগীরা করিগীনো কন্ট্রেক্টর অদু তাম্থোকখ্রগা কন্ট্রেক্টর লোংখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লে। হান্নগী স্কুলগী ফিভম অসি দাইরেক্টর লাক্তুনা য়েং শিল্লবা লৈরবনি।

এম এল এনা মহাক্কী অপাম্বা ফংদবগীদমক স্কুল অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক থিংবা অসি য়ানিংদে হায়দবা য়ারোই। মহাক্না স্কুল অসি চাউ-খৎহন্নিংবা ওইরবদি এম এল এ ফন্দগী লুপা ক্রোর ২ দু কন্দায়দা থমখিবগে। মদুদগী শাবা য়াদ্রবা হংখি।

হৌজিক চীংদা মানদা খুৎলায় পায়বশিংনা চত্থগদবা থবকশিং লেবরদা থবক শুবা য়ারোই হায়না ধমকা তৌবগী থবক থাংমৈবন্দগী এম এল এনা চত্থবা অসি লাইবক থিবনি। মসিগুম্বা থৌদোক অসি য়াম্না কন্দেম তৌই হায়খি।

এম এল এনা লেবরশিং অদু মহাক্কী মী অহুম থারক্লগা পুং বারো ফাওবগী মনুংদা হনখিগদবনি হায়না কিহল্লগা শোমদনা কন্ট্রেক্টর লোংখ্রে হায়বসি য়াবা ঙম্লোই। মীয়ামগী থবক তৌবদা মপুং ফানা কো ওপরেসন পীগনি। ফেন্সিং তৌনবা হায়বদা তাবিদ্রগা স্কুল অসি শারক্কনি হায়বসি থাজবদি ৱাৎলি হায়খি।

# লৈঙাক্কী খোঙথাং থাগৎনিংঙাইনিঃ পুরুজিৎ

ইম্ফাল,জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

কুমজা ২০১৮গী জুন ৮দা মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুর সেক্রেটরীয়েট সার্ভিস এসোসিয়েসন,মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসন অমসুং মণিপুর ষ্টেট পেন্সিনর য়ুনিয়ননা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খুৎয়েক পীনখিবা মতুং ইন্না থাসিগী ২৭তা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী মতাংদা কুমজা ২০১৯দগী জি পি এফ একাউন্টতা চঙবা অমসুং কুমজা ২০২০গী এপ্রিল থাদগী শেল ওইনা পীনবা ৱারেপ লৌখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী পুরুজিৎ লাইরিকয়েংবমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ওল সেক্রেটরীয়েটকী কনফরেন্স হোলদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট সার্ভিসেস ফেদরেসন,মণিপুর সেক্রেটরীয়েট সার্ভিসেস এসোসিয়েসন অমসুং মণিপুর ষ্টেট পেন্সিনর য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা পুরুজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি,মণিপুর লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীজশিংনা মতম কুইনদগী ঙাইনদুনা লাকপা ৭শুবা পেগী খুদোংচাবা অদু লৈঙাক্কী ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না ফঙহন্নবা ওর্দর অথুবা মতমদা থোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

লৈঙাক অমদি ঐখোয়গী মরক্তা য়ান্নখিবা মতুং ইন্না ওর্ডর থোক্লকপা মতমদা অশোয়বা অমসুং খেন্নবা য়াওরক্লবস চুমথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লোয়ননা লৈঙাক্না ঐখোয়গা য়ান্নখিবা ঙাক্না চত্থরিবা প্রোসিদিং অসি এমপ্লোয়িজ খুদিংমক্কী অফবা খোঙথাংনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গভর্ণরনা ওর্ফান হোম,ওল এজ হোমদা ৱাটর টেঙ্ক য়েম্থোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা নোংগী ঈশিং মাঙহন্দনা য়োক্তুনা থন্নবা মীয়ামদা অপিল তৌখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর পি বি আচার্রিয়ানা লমদম অসিদা লৈবা ওল এজ হোম,ওর্ফান হোম য়াওনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদা ঈশিং য়োক্লনবা ৱাটর টেঙ্ক (সিন্টেক্স) ২০ য়েম্থোকখ্রে।

ঙসি গভর্ণরনা ৱাটর টেঙ্ক য়েম্থোকখিবা ওর্গনাইজেসনশিং অদুদি ওল মণিপুর সেনিয়ার সিটিজন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন,মোংশাঙ্গৈ মখা লৈকাই, ওল মণিপুর মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ পার্সন্স ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন,কৈশামথোং টোপ লৈরক,গ্লোরি চিল্ড্রেন হোম মোইরাং কোঞ্জেংবম মমাঙ,দেষ্টিট্যুট চিল্ড্রেন হোম,সগোলবন্দ তেরা কৈথেল,মণিপুর মহিলা কলিয়ান সম্মিটি,কবো লৈকাই (দ্যুলালেন্দ), ওর্গনাইজেসন ফোর দ অন্দরপ্রিভিলেজ গ্রুপ ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাই,স্নেহা ভবন দি এডিক্সন সেন্টর শঙাইপ্রৌ,ওল মণিপুর ৱুমেন সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ ,দেষ্টিট্যুট চিল্ড্রেন হোম,লুৱাচাঙিং ৱুমেন সোসাইটি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট, গীলগাল চিল্ড্রেন হোম,উচাথোল জিরিবাম,মৈতৈ লৈমরোল শিন্নাই শঙ,খোয়াথোঙ ট্রাফিক পোইন্ট,তবিথা চিল্ড্রেন হোম,মন্ত্রিপুখ্রি,ইমা লৈমরেল ৱুমেন ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন,কোংবা নোংথোম্ব লৈকাই অমসুং ওল মণিপুর ৱুমেন এসোসিয়েসন কৈশামথোংনচিংবনি।

ৱাটর টেঙ্ক (সিন্টেক্স) য়েম্থোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্ণর পি বি আচার্রিয়ানা হায়খি,মালেম পুম্বগী ওইনা ঈশিং হায়বসি মীওইবগী পুন্সিগা শাগোন্নরিবা পোৎশক অমনি। অদুবু ঐখোয় মীওইবনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবদগী হৌজিক-হৌজিক ঈশিং ফঙদবগী খুদোংথিবা মায়োক্নবা হৌরে।

মহাক্না হায়,গভর্ণর অমা ওইনা খুন্নাই অসিদা শেন্মীৎলোনদা শোত্থদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু ফিভম ফগৎনবা হোৎনবা হায়বসি তঙাই ফদে। মসিগা লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মীপুম খুদিংমক্তা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থন্নবা অপিল তৌখিবগা লোয়ননা ঙসি ওর্গনাইজেসনশিং অসিদা ৱাটর টেঙ্কশিং অসি য়েম্থোকপনি। অসিগুম্বা খোঙথাং পায়খৎলকপা অসিদা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মীওই কাঙলূপশিংনসু স্পোন্সর তৌবীবা তঙাই ফদে। স্পোন্সর তৌবা হায়বসিদা মথৌ তারিবসি শেলগী মতেং অদু নত্তে। মখোয়দা ঈশিং য়োক্তুনা থমগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন চেল্লকপা অদু য়াম্না শীংথানিংঙাই ওই। অদুনা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয় খুদিংমক্তা চেনবা মথৌ তাই। অহানবগী ওইনা ঙসি ৱাটর টেঙ্ক (সিন্টেক্স) ২০ য়েম্থোক্লে। লাক্কদৌরিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতসু মখা তানা ৱাটর টেঙ্ক ২০ অমগসু য়েম্থোক্কনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# খুন্দ্রাকপম এ সিদা থবক শুদনা এম পি ফন্দ কায়থোক্লম্বা থেংনরে হায়না পি দি সি সিনা মরাল শিরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র রাজ্য সভা এম পি ফন্দদগী শুগদবা থবক থৌরম কয়া থবকসু শুদনা শেল কায়থোক্লম্বা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী পিজ এন্দ দিভলপমেন্ট কো ওদিনেটিং কম্মিটিনা থেংনরে হায়না মরাল শীরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা পিজ এন্দ দিভলপমেন্ট কো ওর্দিনেটিং কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী থৌদাম হেমজিৎনা হায়, কম্মিটি অসিনা মতম-মতমগী লৈঙাক্না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈঙাক্না ফঙহল্লিবা কান্নবশিং অমদি লৈঙাক্না তৌখিবা চাওখৎ থৌরাংশিং কুপ্না য়েংশিন্দুনা মীয়ামদা খঙহনদুনা লাক্লি। মীয়াম্না কেন্দ্র অসিদা রাজ্য সভা এম পি ফন্দদগী শুগনি হায়না খঙহনখিবা থবকশিং থবক শুদনা শেল কায়থোকখ্রে হায়বা খঙনরকপদগী কম্মিটি অসিনা কুপ্না থিগৎলুবা মতমদা অচুম্বা ওইরম্লে। রাজ্য সভা এম পি ফন্দগী এম পি ওইরিবা ভবানন্দ মশানা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রনা সেলটর ফোর এনিমেল এট হরাওরোক হায়না মিংথোনবা সেলটর অসি শানবা পৈশা কাইথোকখ্রবসু ঙসিফাওবা সেলটর অসি শুকশা শাদ্রি। লোয়ননা ঙাইরাংবমদসু মীয়ামগী পুখ্রি অমা ২০১৭-১৮ গী প্রোগ্রাম মখাদা শুগদবনি হায়না লুপা লাক্ষ ৫গী ওর্দর অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী জুলাই তরেৎতা থোকখিবনি। হায়রিবা পুখ্রি তৌবগী শেনফম অসিসু থবক শুদনা শেল কাইথোক্লম্বা থেংনরে। মহাক্না মখা তানা হায়, কম্মুনিটি পোন্দ পিগরি এন্দ ৱাটরি ট্যুরিষ্ট প্লেটফোর্ম বেস এন্দ ফেন্সিং এট হরাওরোক হায়রিবা অসিসু ২০১৯গী প্রোজেক্টকী মখাদা লুপা লাক্ষ ২৫গী সেক্সন ওর্দর থোকখিবনি। শেনফম অসিগী অয়াম্বা শরুকসু থবক শুদনা শরুক অয়াম্বা লৌথোক্লম্লে। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা লোরো ইখোল হায়বা খুল অসিগীসু রাজ্য সভা এম পি ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ২০ চঙনা থাগদবা লম্বী অসি কিলোমিটর মখাইমুক কোইলাস থারম্লগা তোকখ্রে। থবক অসিগীসু শেনফম অয়াম্বা লৌথোক্লম্লে। রাজ্য সভা এম পি মশামক্না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদা তৌগনি হায়না লাউথোক্লম্বা থবক কয়াগী থবক শুদনা শেল লৌথোল্লীবা অসি মরী লৈনবশিংনা য়েংশনবীয়ু। মীয়ামগী থবক থৌরাং পায়খৎকদবা শেনফম কয়া লন্নাই ফুরিখাওদা চঙবগী হৈনবী ওইরিবা অসি পী দি সি সি না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফাওই। মীয়ামদা ফংহনফম থোকপা অমদি শাফম থোকপশিং শাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবীয়ু। লোয়ননা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু হিরম অসিদা অকনবা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

# কলচর মমুৎতানা নৈনবা মতম ওইরে

ইম্ফাল,জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

ঙসিগী মীরোলনা লমদম অসিগী নাৎ অমসুং কলচরগী ওইবা থবক-থৌরমশিং মমুৎতানা নৈনদুনা খঙমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না সোসিয়েল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি দ টেম্পল ওফ আর্ট এন্দ কলচর সেন্টর,মোইরাংনা শীন্দুনা খোইরুলৈকাই মান্দপতা পাঙথোকখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা খুবাক-ঈশৈগী মরমদা নুমিৎ ৩০নি চুপ্না চত্থরকপা নন-রিসিদেন্সিয়েল ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়,ঙসিগী মীরোল ঐখোয়গী আইদেন্টিটি মশক তাক্লবা হোৎনবদা ঐখোয়গী ওইবা সংস্কৃতিবু মশক খঙদবা হায়বসি লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা কলচরগা মরী লৈনবা থবক-থৌরমদা দ টেম্পল ওফ আর্ট এন্দ কলচর সেন্টর,মোইরাংনা মাঙজিল থানা হোৎনদুনা লমদম অসিবু কলচরগী হৌরকফম ওইরম্মী হায়বসি মীপুম খুদিংদা খঙহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা পীবগীদমক চাউথোকপা পোকই।

থৌরম অদুদা কে ঐচ সনায়াইমা,ডা এ কে সুন্দরকুমার,ঘনপ্রিয়া,ঐচ রোজিনা মরুওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা সেন্টরগী মায়কৈদগী সার্টিফিকেট অমমম খুৎশিন্নখি।

# মপিথেল দামদা শেঙ্গা থুমজা চাওনা চত্থরেঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ

মীয়ামদা ঈশিং পীননবগী পান্দমদা লুপা ক্রোর ময়াম অমা থারগা শেমগৎখিবা মপিথেল দামগী থবকশিংদা শেঙ্গা-থুমজা চাওনা চত্থরে হায়না মাওইষ্ট কম্মনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা য়াম্না কন্না মরাল শিখ্রে।

লূপ অসিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কো ওর্দিনেটর কিয়োংহন মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মপিথেল দামগী মতাংদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী খুঞ্জাশিং অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙ ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্ট অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম চত্থরকখিবা লৈরে। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা শেঙ্গা থুমজগী ৱাথোক অসিদা কুপ্না থিগৎলুবদগী অহেনবা ৱাফম কয়া অমসু খঙলকপা লৈরে।

মপিথেল দাম অসি মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন থুমদা চাওনা শিংনবা দাম অমা ওইরে। মণিপুর লৈঙাক্না হৌখিবা মতম খরগী মমাঙদা দাম অসিনা মীয়ামগী কান্ননবা ইথৈ লৌখোঙদা ঈশিং পীরে হায়না সোসিয়েল মেদিয়া কয়াদা শন্দোকখিবা অদু অচৌবা নমথাক অমা ওইরম্লে। তশেংবদি মদু দামগী শরুক অমা ওইরিবা হাইদ্রো প্রোজেক্টকী ঈশিং চিথফম কাইবদগী ঈশিং য়ুবা ওইরম্লে। শেঙ্গা-থুমজা ময়াম অমনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌখিদবনা হাইদ্রো প্রোজেক্টকী ঈশিং চিথফম অদুগী য়োৎনা খাবা শরুক অদু নমখাইরগা ঈশিং চিথফম অমা কাইরকপনি হায়রি।

চেরেল অসিনা হায়, অশোইবা অরানবা অসি মীয়ামদা খঙহনদনবা হায়দুনা বি জে পি লৈঙাক্কী হংলাই ওইবা সোসিয়েল মেদিয়া টিম অনৌবা মণিপুর কৌবা অমনা শেন চঙনা ফিল্ম ওইনা নম্লগা মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইহিখিবনি। ঈশিং অসি মতম শাংনা থিংবা ঙমখিদবনা মরম ওইদুনা দাম অসিগী মথক থাংবা শরুক্তা ঈশিং খম থেংনা মায়েং তাখিবনি অদুগা মখা থংবা শরুক্তনা খুৎশেমগী ঈশিং ইচাও থোক্তুনা লৈঙোই পেকপা শিন্মী অমা ইরাক্লদুনা পুন্সি লোমখি অদুগা শিন্মী কয়া থবক শুফম নোমফম লৈতদুনা কোক্তা খুৎ হাপ্লখিবনি। মণিপুরদা হৌজিক সেরিজ ওইনা পোলিটিক্স চত্থবা মীগী মশীং য়াম্না লিক্লে মরম অদুনা করিগীদমক চদোংখূলগী লুপখ্রবা চার্ছ অমুক হন্না মীয়াম্না উবা ফঙলক্লিবনো হায়বসি নৈনদ্রে। শেন্মীৎলোন অসি খম থেংনা মীপাল তাংলবনিনা হিংনবগী লানফমদা লৈবাক্কী, মীয়ামগী নৎত্রগা খুন্নাইগী অশুপ্পা মীৎয়েং অদুদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদগী মাংখ্রে।

নোংমদা চঙ্ঙবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা চেঙ-হৱাইগী মমলনা নোংদোল পকখ্রে অদুবু হিরম অসিদা লৈঙাক্কী ওইনসু কেবিনেট মীফম ফমদুনা খন্নবগী ৱাফম লৈতে। সি এস ও ময়ামসু লৈবাক নিংথৌ শেন্বদা ওইনা য়াওশিন্দুনা য়েলহৌমী কনবগী ঈহৌ ফাওবা লুকমাইদা থাংদোক্লে। মণিপুর য়াম্না মরা তপ্পা লৈবাক অমা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ওইরক্লিবসি তশেংনমক খুন্নাই অসিনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা ফিভম ময়ামশিং অদুগী মরম চাবা ৱাখেরোল পুরকখ্রবগীরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। তশেংনমক খুন্নাই অসিনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা ফিভমবু মায়োক্নবদা লুচিংবীগদবা মাইচৌ মাইনৌ ময়ামদু লৈঙাক্না শেন পীদুনা মচিল মেনখিবদগী লৈবাক মরা তপ্পা মানবানি। বোর্দর পিল্লরগী ৱাফম ৱাৎ-খরোল পুরকখিবা লৈত্রি। আই এল পি এস কী ঈহৌ হৌজিকসু লৈখাই তাদ্রি, শেঙ্গা থুমজা হিরম অমত্তা হন্থবা লৈত্রি অদুবু মীয়াম্থু লমজিংগদবা মাইচৌ মাইনৌ ময়ামগী মচিল মেনবখক্তনি। মাওইষ্টকী ওইনদি হন্নদগী হৌনা লৌগদবা থৌদাং অদু চপ চানা লৌদুনা লাক্লি অমদি মখা তানসু অদুমক লৌগনি। লৈঙাক্কী লুচিংবা শিনবা অমদি শিন্দবগী ৱাফমদা লৈবাক্কী ওইনা করিশু কান্নগদবা লৈতে। লূপ অসিনা অমবু কনখৎনবগী মরমসু লৈতে অদুগা অমবু চিংথনবগী মরমসু লৈতে। ঐখোয়গী য়াওল লালহৌ খুমাং চাওশিন্নবা ঐখোয়না হোৎনজরি, মসিদা য়েৎলকপা অমদি অপনবা পীরকপা অদুদি বি জে পি ওইগেরা কোংগ্রেস ওইগেরা লূপ অসিনা চপ চানা পাউখুম পীগনি। ঐখোয়গী থবক থৌরমদা খোঙলৌ পাল্লৌলাত্রগদি মীঙোনদসু ঐখোয় খুরৌ থারোই। সি এস ওদগী হৌরগা খুদিংমক্না লৈবাক নিংথৌ শেমদুনা লৈখ্রিঙৈ চৈরেক অসিদা মপিথেল দামগী শেঙ্গা থুমজা অসিগী মতাংদা ৱাটর রিসোর্ছ দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়রনা চায়োল অমগী মনুংদা চদোং খুঞ্জা মীয়াম্না শিরিবা মরাল হায়বদি ইলেক্সন কোদ ওফ কনদক্ট লৈরিঙৈদা মনুংদা শেন কাইথোকপা য়াওনা অতৈ মরালশিং অদু শেংদোক্কদবনি ।করিগুম্বা পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা অচুম্বা ৱাফম খঙহনদবা থোক্লগদি লূপ অসিনা চপ চানা পারা তম্বীনবা শেম শারগনি হায়রি।

# দেসাম ঃ পোজিসনদা য়াওগদবা মহৈরোই ফার্ষ্ট দিভিজনদা য়াওরকপগী মতাংদা বোসেমগী মথক্তা থিগৎকন্দবনি

ইম্ফাল, জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সি একজামিনেসন ২০১৯ দা ফার্ষ্ট দিভিজনদা লাকপা মহৈরোই অমা রিচেক তৌরুবদা ২২শুবা পোজিসনদা য়াওরম্লে হায়না মেদিয়াদা য়াওরকখিবা ৱাফম অসি মণিপুর লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙ্দুনা বোসেমগী মথক্তা থিগৎকন্দবনি হায়না দেসামগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইদিসননা ফোঙদোরক্লি। ৱাফম অসি দেসামনা শীন্দুনা লাক্লিবা জুলাই ৫দা পাঙথোকদৌরিবা এদুকেসন ফ্রি জোন দিমান্দ দেগা মরী লৈননা স্কুল / কোলেজ শিংদা চত্থরকপা একাদেমীক এৱার্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা টিম্পি টৌটস য়ুনিগ স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পাও চে অসিনা হাংবা ৱাহং অমদা মহাক্না পাউখুম পীরকখিবনি। ইদিসন না মখা তানা হায়খিবদা, হৌখিবা চহী খরা অসিদা বোসেম না লৌদুনা পাঙথোকপা একজামিনেসনশিংদা য়াম্না তোইনা অশোয়বা য়াওরক্লিবা অসি লূপ অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌই। মমাঙ চহীদা থোকখিবা ৱাথোক অমগী ফাওবা ৱারোইশিল লৈত্রিঙৈদা অনৌবা ৱাথোক অমা অমুক লাকপসি লৈঙাক অসিনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। মরম অসিনা হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি মতৌ করম্না অথোইবা লৈখিবনো হায়বা অদু মরী লৈনবশিংনা পুথোকপীয়ু হায়খি। ঙসিগী ওইনা দেসামনা এৱার্নেস চত্থখিবা স্কুলশিং অদুদি, শঙাইপ্রৌদা লৈবা এস টি জোসেফ স্কুল, খুমন লম্পাক্তা লৈবা টিম্পি টৌটস য়ুনিগ স্কুল অমদি নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা রোয়েল একাদেমী ওফ সাইন্স নি।

# মীওই ১ দামদা লুপখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈরিবা খুগা দামদা ঙসি নুংথিল পুং ৫ রোম তাবা মতমদা মীওই অমা ইরোইবদা খঙহৌদনা লুপখিবদগী থিবা ফংদ্রে। ঈশিংদা লুপখিবদগী থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওই অদুদি জি গম্লোম খুলদগী দেমখোলেন হাওকিপ (২৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা চুংগিন হাওকিপনি। ঙসি মমান্নবা ৬কা লোয়ননা দাম অদুদা ইরোবদা লুপখিবনি হায়রি।

# খোই য়োকপগী এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ২৯(এস এন এস)ঃ

মণিপুর খাডি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ড,লম্ফেলপাৎনা শীন্দুনা খোই য়োকপগী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি নোংনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লোংমাই পার্ট-১ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর খাডি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ড,লম্ফেলপাৎকী ভাইস চিয়ারমেন য়ুন্নাম নিলামনিনা হায়-খ,খোই য়োক্লবগী থৌরাং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা মণিপুরগী চীংগী মনুং হজ্ঞিনবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা শেম্থোক লৈনা থবক তৌবা ঙম্নবা খুঙ্গংশিংদা পায়খৎকন্দবা পাইলোট প্রোজেক্ট অমনি। মণিপুরদা লৈরিবা রিছোর্সশিংগী মনুংদা খোই য়োকপা হায়বসি খ্বাইদগী শেম্থোক লৈবা থবক অমনি। খোই য়োকপা অসি ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা চত্থনবা খুদোংচাবসু লৈরে হায়না সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স তৌরিবশিংনা হায়রকপগী মতুং ইন্না নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী হিমালয়া রিজনগী শরুক অমা ওইনা লৈরিবা মণিপুরগী চীংগী লমশিংদা খোই য়োকপগী থবক অসি মপুং ফানা পায়খৎলবদি লমদম অসিদা লৈরিবা থবক ফঙদ্রিবা মীওইশিংগী শেম্থোক লম্বীদা অহোংবা লাক্কনি।

থৌরাং অসি পায়খৎনবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না ঙসিগী এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অসিসু ২১শুবা প্রোগ্রাম অমনি। মখা তানসু লেমহৌরিবা চান্দেল,তমেংলোং অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টশিংদসু এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্কনি হায়খি।

# চীফ মিনিষ্টরগী টিম ঙসি ...

*লমায় ১গী মখা*

থাজবা য়াবা মফমদগী ফঙবা পাউনা হায়,লুচিংবা শীনবগী লানহৌ অসি পার্টি অসিগী কেয়র টেকর প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোক্কনি। কম্মিটি অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জে পি নাডা, ডিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাঠ, হান্নগী মিনিষ্টর অরুন জেটলি,হান্নগী মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ, নিটিন গাটকারি,অনন্দকুমার,থৱানচান গেলোট, শিৱ্রাজ সিংহ চৱান, রাম লাল অমসুং বি জে পিগী লুচিংবা হিমন্ত বিস্বাস শর্ম্মা শরুক য়াগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়,মতম শাংলক্লবা নাকল অনীগী মুক্লবা অসি অমনসু লানহন্দবা,অমনসু চুমহন্দবা হায়বা ৱাখল্লোনদা ৱারোইশিন পুরক্লবা য়ানা লৈ। কৈনৌ ৱায়েলগী মতৌগুম্না অমদসু শোকহন্দবা,অমদসু কায়হন্দবা মওংদা ৱারোইশিন পীরবা য়াই।

# কাদানা য়ু ফাগৎলগা মাংহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৯ঃ

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ আলকোহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চিনজাক্কী মায়োক্তা চত্থরকপা দ্রাইভকী মনুং চন্না পুৰৈরোম্বা ন্যু চেক্কোন এরিয়াদগী য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ কয়া ফাগৎলগা থুগায়দুনা মাংহনখ্রে।

ঙসি নুংথিল কাদাগী থৌমীশিংনা ফাগৎলগা থুগায়দুনা মাংহনখ্রবা য়ুশিং অদুদি য়ুঙৌ লিটর ৫০ অমদি য়ুঙাং অমসুং বিয়ার পুল্লগা কেস ১৫নি। য়ুশিং অদু কোনুং মমাঙগী ট্রাফিক আইলেন্দ মনাক্কী লমহান্দা থুগায়রগা মাংহনখি।

য়ুগী দ্রাইভ অদু কাদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি হেদ ওফিসকা পুল্লগা চত্থখিবনি হায়রি।

# লৈঙাকপদা পূক্নিং চঙলক্তবা লাইবক থিবনি...

*লমায় ১গী মখা*

থৌদাংনি খন্ন তুমিন্না লৈবা য়ারক্তবা মতাং ওই। মখোয় মশেলগী মুক্লবনা লৈঙাক চুপ্পিগী থবক অসি নাথৈরগা থম্লগা ফম তান্নবদা কোক চুংশিন্নবগুম্না তৌবা অসি লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা নত্তে হায়বনি।

হৌজিক কেবিনেট মিনিষ্টর খরখক নত্তনা অয়াম্বনা মপান্দা চৎখিবা হায়বসি লৈঙাকতা পূক্নিং চঙদবা মাল্লি হায়খি। মীয়াম্না মসি খঙনা কুপ্না য়েংলি, মীয়াম্না মিনিষ্টর এম এল এশিংগী মথক্তা লৈ হায়বসি কাউথোকপা চুম্লোই হায়না লৌই হায়খি।

ইশাদা শিন্নরিবা রেস্পোন্সিব্লিটি অদু লোৎশিন্দুনা থল্লগা লৈবাক কায়রবসু ফম্না লুই হায়বগী মওংদা তৌরকপা অসি লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা নত্তে হায়না লৌই।

কোংগ্রেসকী এম এল এশিং য়াওগনি হায়বসি চুম্ম্রা হংবদা লুপকদৌরবা হি অমদা কনানা তোংনিগনি। কোংগ্রেস হায়না পনলিবা অদু হান্না চৎখিবা ৮ অদু নত্তনা অতৈ লৈতে হায়খি।

কোংগ্রেসতগী চৎখিবা এম এল এ ৮ অসি হৌজিক ফাওবা স্পিকরনা মখোয়শিং অসি বি জে পি অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওরে হায়বা এসেমব্লিনা চেরোল অমা ফাওবা থোক্ত্রি। পার্টি অমগী মশীং হেনগৎপা নৎত্রগা তাথবা অসি এসেমব্লিনা বুলেটিন থোক্তুনা মশীং অসুক হেনগৎলে নৎত্রগা তাথরে হায়বদু বুলেটিন থোক্কদবনি। মদু হৌজিকমক্কী ওইনা লৈত্রি। শাংবা চহী অনিরোম ফারক্লগা মতম অসিদা স্পিকরনা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখক্তনা লৈরিবা অসি থবক লৌ-খৎহন্নিংই হায়খি।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ২৭ লৈরি হায়না লৌগনি। মিনিষ্টর অমদি মহাক মশানা রুলিংদা ফম্লে হায়না ফমখ্রবনিনা দিফেক্ট তৌরে হায়না লৌবা তাবনি হায়খি। মসিসু হৌজিক চহী অনি হেল্লবা ফাওবদা লুনি ঙানি খঙদনা লৈরি। অদুবু এম এল এ ৭ অদুদি কোংগ্রেসনি হায়না লৌফম থোকপনি হায়খি।

কেবিনেটতা মিনিষ্টর য়াওদবগী মতাংদা হংবা ৱাহংদা গাইখাঙমনা হায়, কেবিনেট মীফম পাঙথোকপা মতমদা মিনিষ্টরশিং অসি চপ মান্ননা মরু ওইবনি। কেবিনেট মীফমদা মরম চাবদা মিনিষ্টর অমা অনী য়াওদবদি করিসু কায়দে অদুবু য়াওরোই হায়না য়াওদবদি চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদনি।

মিনিষ্টর অমনা লাক্লরোই হায়না লাক্তবদি লুচিংবা অদুদা থাজবা লৈত্রে হায়বনি। মিনিষ্টরনা লুচিংবা অদুদা থাজরিমখে মিনিষ্টর ওইগদবনি, মদুদা লাক্লোই হায়না লাক্ত্রবদি কেবিনেট মীফম অদুগী ৱারেপ অদু চৎনবা য়াই য়াদেদি হায়বমক লৈত্রবসু ফজদবা অমদি ওই হায়খি।

মিনিষ্টর ১২ লৈবদা মঙা তরুক-খন্না ৱারেপ লৌবা অসি ফজদবা অমদি ওই। লোয়ননা মখোয়দা মীয়াম্না পীরিবা থৌদাং অদু থৈদোক্লগা চৎপগুম্বনি হায়খি।

অমরোমদা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা পোলিটিকেলগী ৱাথোক অসিদা সেন্টরনা তাশিন্নদনা উশিন্নদনা লৈথোকপগী মহুত্তা মতম চানা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনফম থোকই। পার্টি মনুংগী ৱথোক ওইরবসু মীয়ামদা কায়রক্কদবা লৈবনা অথুবা মতমদা ৱ্রোরোইশিন পুরকপীয়ু হায়খি।

মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিঙৈদা য়াম্লবা শেনফম লৌথোকখিবগী মতাংদা লৈঙাক্না ইনক্বারি কম্মিতি অমা শেম্বা অদু য়াম্নদি ফৈ। অদুবু ওফিসার অমনা তৌবগী মহুত্তা থবক্তগী পোত্থারবা হায় কোর্টকী জজ অমনা লুচিংলগা মতুংদা মসিগুম্বা অসি থোক্তনবা লোইশিন্নবা থবক লৌখৎহন্নিংই।

মসি য়াম্না চাউবা স্কেন্দল অমনি, মসি থিগত্তবা য়াদে হায়না থবক লৌ-খৎলকপা থাগৎনিঙাইনি। মদুগী ইনক্বারি অদু লোইশিলম্লগনি খল্লি। মদুগী রিপোর্টঅদু মীয়ামদা পুথোকপীয়ু। মমিংখক্তগী ওইনা ইনক্বারি তৌশিন্নরগা থমগদৌরিবা জাৎলা, কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগীদি মদু মীয়াম খঙনবা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরি হায়খি।

# নমদুনা ফম্লানলুবা নুপা ১ চহী ১০ মীয়াৎ ...

*লমায় ১গী মখা*

মঙোনদা খ্বাইদগী কনবা দন্দি পীবগা লোয়ননা খ্বাইদগী চাওবা দন্দি পীগদবনি হায়না স্পিসিয়েল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কোর্টতা থমখি।

নাকল অমরোমদা দিফেন্সকী কাউন্সেলনা চীংলেন অসি হান্না মহাক্কী মথক্তা ক্রিমেনেল রেকোর্ট লৈতবা, মহাক্কী মমা-মপানা নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংদা মংকৎ ওইনা লুপা লিশিং ১৪ পীখিবা লোয়ননা অঙাং অসি মহাক্কী অঙাং ওইনা লৌশিন্নবা শেম শারবনা হান্নদগী জুদিসিয়েল কস্তদিদা লৈরবা চীংলেন্দা খ্বাইদগী হন্থবা দন্দি পীনবা কোর্টতা তক্লখি। কোর্টনা মেটেরিয়েল রেকোর্টশিং য়েংলবা অমদি স্পিসিয়েল পি পি অমদি দিফেন্স কাউন্সেলগী ৱারোল তারবা লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা অসিগুম্বা থৌদোক অসিদা পীখিবা দন্দিনচিংবা পূম্নমক নৈনরুরগা চহী ১৬ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমদা চত্থখিবা তৌহৈদবা থবক অদু য়াম্না শাথিবা মরালনি হায়বগা লোয়ননা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৬কী মতুং ইন্না চহী ১০ দন্দি থম্নবা অদুগা লুপা লিশিং ১০ ফাইন থিহন্নবা হুকুম তৌখিবনি।

মহাক্না থীগদবা ফাইনগী শেনফম অসি কোর্টতা থমজিলহল্লগা নুপীমচা অদুদা কম্পেন্সেসন ওইনা পীহনখিগদবনি। অদুগা কেস অসি থিগৎলিঙৈ অমদি ৱায়েন চত্থ-রিঙৈদা মহাক্না জুদিসিয়েল কস্তদিদা লৈখিবা মতম অদু মঙোন্দা পীরিবা ফাদোক্কী মতম অদুগা শকচিন্নহনগনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱুইমেন দিষ্ট্রিক্ট / সর্ভিভর ওফ সেক্সুয়েল এসুল্ট / ওদর ক্রাইম ২০১৮ গী সেক্সন ৩৫৭ এ গী মখাদা লুপা লাক্ষ ৫ কম্পেন্সেসন পীহন্নবসু কোর্টতা রিকমেন্দ তৌখি। করিগুম্বা নুপীমচা অদুগী ইমুং মনুংনা অতৈ কম্পেন্সেসন ফংখিবা লৈরবদি মদু লুপা লাক্ষ ৫ অদুদগী হন্থগদবনি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা মার্চ ১১, ২০১৬ তা সওম্বুংগী লম্বী মপান্দা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা নুপীমচা অসিদা নমদুনা ফম্লানবগী থবক অসি চত্থখিবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ৱুমেন পুলিস ষ্টেসনগী সব ইনপেক্টর আর কে ববিনানা আই ও ওইনা কেস অসি থিগৎলগা চার্জশিট থাগৎলবা মতুংদা ইম্ফাল পোক্সো কোর্টতা রিবচার চত্থরকখিবনি।

# লায়েংবা ...

*লমায় ১গী মখা*

ইমোইনু ফার্মসিগী লমলাইদগী টি ঐচ জেমস নি। অদুগা গাইনিগী ও পি দিদগী ফারবা মীওইশিং অদুনা গোবিন্দ ফার্মসিগী উরিপোক্তগী আর কে মুক্তসনা, ন্যুতন ফার্মসিদগী নম্বোলদগী জিনা, কেলি ফার্মসিদগী নম্বোল ইসোক্তগী হুইদ্রোম থোই অমদি ন্যুটন ফার্মসিগী ক্বাকৈথেলদগী কেপিটেলিষ্ট ওইনামনি।

# লুপা ক্রোর ১০০ রোমগী ব্রাউন...

*লমায় ১গী মখা*

হৌজিক্না সুগুনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হোংকোং ভেঙদা লৈবা পাউসিনলাল তুংদিম (৩২) অপোকপা লৈখিদ্রবা মানসোনপোক তুংথিম, গেলঙাই ভিল্লেজ অসিমক্তগী মাংনু তুংদিম (৫৫) অমসুং চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা দি সি লমখাইদগী আরোন নঙসা (৩৭) অপোকপা কোথৌ নংসানি। মখোয় অহুম্মক সুগুনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হোংকোং ভেঙ ভিল্লেজদগী ঙরাং ফাবনি। মখোয় অহুমগী কেস অমা রেজিষ্টার তৌরগা থিগৎপগী থবক হৌরে হায়রি।